# অনীশুবা দি এফ এ অন্দর ১৩ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৬ তগী টিম ৮ না গ্রুপ– ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চাওয়াইমা হায়র সেক্রেন্দরী গ্রাউন্দা চথরকপা অনীশুবা অন্দর ১৩ বোইজ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ননা থা অসিগী ৩ গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা য়ু এম এস সি মোইজিং অমদি ফিদা তেন্থানা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগা থা অসিগী ৪ গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা সি আই টি ৱাই সি হৈরোক অমদি এস দব্লিউ ৱাই সি চরাংপাৎনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নরগনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি ও ৱাই সি (বি) ওক্রম অমদি বি ৱাই এফ ৱাই য়াইরিপোকনা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী মেটচতা বি ৱাই এফ ৱাই য়াইরিপোকনা ও ৱাই সি (বি) ওক্রমবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা বি ৱাই এফ ৱাই য়াইরিপোককী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি।

মেটচ অসি হৌরকপদগী বি ৱাই এফ ৱাই য়াইরিপোকনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা ও ৱাই সি (বি) ওক্রমবু লাকশিন্না শান্নদুনা অঙনবা মিনটশিং দগী গোল একাউন্ট হাঙনবা চথখিবা এটেক অদুনা মেটচকী মিনট ১৩ চৎপদা বি ৱাই এফ ৱাই য়াইরিপোককী জর্সি নম্বর ৭ অর্বাসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা ও ৱাই সি (বি) ওক্রমনা হাল্ফ মমাঙদা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্নরবসু ঙমদবদগী অর্বাসনা চনখিবা গোল অদুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফতা বি ৱাই এফ ৱাই য়াইরিপোকনা হৈথোয় শীংথোয়বা মতৌদা শান্নখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফতসু বোল হেন্না পায়রগা অদুমক শান্দুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুন ও ৱাই সি (বি) ওক্রমগী দিফেন্দরশিংদা কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহনখি।

প্রেসরশিং অদু ও ৱাই সি (বি) ওক্রমনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী অতেনবা মিনট ৩ দা বি ৱাই এফ ৱাই য়াইরিপোকনা অহেনবা গোল ২ মখা তানা হাপচিনবা ঙমখি।

গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ অর্বাসনা মিনট ৪৩ চৎপদা টিমগী অমদি মহাক্কী অনীশুবা গোল অদু চনখ্রবা মতুং মিনট ৩ কান্নরগা ৪৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ২ টি ন্যতোননা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসি টি ঐচ বিগেন্দ্র, এস ঐচ ইবোমচা, এন নাওপা অমদি এম ননাওনা মথংশীংনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# টিম কুন্থ্রানিথোইনা শরুক য়াদুনা কুমজা ২০২৩ দা ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্লগনি

পেরিস, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ

লাক্লিবা ২০২৩ দা শান্নগদৌরিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপতগী হৌদুনা টিম ৩২ না শরুক য়ারগনি হায়না ফিফাগী কাওন্সিলনা লাওথোকখ্রে।



হন্দক ২০১৯ দা টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা ফ্রান্সতা শান্নখিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিদা য়ু এস এনা মায় পাকখি। য়ু এস এনা মায় পাকপগী নুংঙায়বা ফোঙদোকপগী থৌরম অমদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফান্টিনোনা হায়, হৌজিক মলেমদা নুপপীগী ফুটবোল অসি হেন্না অৱাঙবা থাক্তা পূখৎপগী চপ চাবা মতম ওইরে। মরম অসিনা মথঙগী ৱার্ল্ড কপতা টিম মশিং হেনগৎনবগী ফিরেপ অসি লৌবনি।


মহাক্না মখা তানা হায়, ৱার্ল্ড কপ অসিদা টিম মশিং য়াম্না শরুক য়াবা অসিনা মলেমদা লৈরিবা ফুটবোল মশান্না অসিবু পামজবা লৈবাকশিংদা ইনোৎ অমা পীদুনা হেন্না হোৎনানিংবগী ৱাখল্লোন অমা পীগনি।

মলেমদা নুপপী ফুটবোল চাওখৎহনবা হায়ব অসিদা মশান্না অসিগী খ্বায়দগী চাওবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱার্ল্ড কপ অসি থাক ৱাঙহনবা মথৌ তায়। মসিদসু নত্তনা গ্রাউন্দ লেভেলদা থাবক কয়া পায়খৎত্তুনা মাশান্না অসি চাওখৎহন্নবা হোৎনবা চঙই।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা অজেন্টিনা, ওষ্ট্রেলিয়া, বোলিভিয়া, ব্রাজিল, কোলুম্বিয়া, জপান, ন্যু জিলেন্দ, সাউঠ অফ্রিকা, সাউঠ কোরিয়া অমদি নোঠ কোরিয়ানা ৱার্ল্ড কপ অসি মখোয়না য়ুম্থু ওইদুনা শান্নবা পাম্লি।

অদুবু ২০২৩ ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী চপ চাবা মফমদি এপ্রিলদা লাওথোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# গুৱাহাটি অমদি কোলকটানা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২২ ক্বালিফায়রগী ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচ অনীগী য়ুম্থু ওইগনি



চেনাই, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ

গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধী এঠলেটিক ষ্টেদিয়ম অমদি কোলকাটাগী সেল্ট লেক ষ্টেদিয়মনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রগী ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচ অনীগী য়ুম্থু ওইরগানি হায়না এল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন ( এ আই এফ এফ) কী জেনরেল সেক্রেটরী কুসাল দাসনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, হায়রিবা ষ্টেদিয়ম অনীমক ৱার্ল্ড কপ ক্লাস ষ্টেদিয়ম য়ু– ১৭গী ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্থু ওইখিবা ষ্টেদিয়মনি।

মরম অসিনা এ এফ সি নাসু মফম অসিদা শান্নবগী অয়াবা অদু পপীরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসি গ্রুপ –ই দা কটার, ওমান, অফগানিষ্টান অমদি বাঙ্গালদেসকা পূন্না তামিন্নরি।

ক্বালিফায়র অসিগী অহানবা মেটচ অসি ২০২২ ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্থু ওইগদৌরিবা ওমানগা গুৱাহাটিদা সেপ্তেম্বর ৫ তা শান্নগনি অদুগা মথঙদা কোলকাটাগী সেল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা ওক্তোবর ১৫ দা বাঙ্গালাদেসকা শান্নগনি।

# ওইনামনা য়াইস্কুল কেন্দ্রবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ওইনাম রোমেন সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা শিংজমৈ কাঙখূৎনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৪ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ– ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাঙশংদা চথরকপা অনীশুবা ওইনাম চার্লি সিংহ নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬০ মথক্কী লীগ কম নোক আওট কেন্দ্র ৱাইজ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অরোয়বা লীগ মেটচতা ওইনাম কেন্দ্র মায় পাকখ্রে।

টুর্নমেন্ট অসিগী ১৫শুবা লীগ মেটচ ওইনা ওইনাম কেন্দ্র অমদি য়াইস্কুল কেন্দ্রনা শান্নখিবা গ্রুপ–দিগী লীগ মেটচতা ওইনাম কেন্দ্রনা য়াইস্কুল কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৫–১৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ওইনাম কেন্দ্রগী শান্নরোইশিং অদুদি– ও ইবোমচা সিংহ , ও রঞ্জিৎ সিংহ, ও বাবু সিংহ , টি ঐচ অমুবী সিংহ, এম নিলাকমল সিংহ, ও যুগিন্দ্রো সিংহ, এ ওপেন সিংহ অমদি এল মাইমু মৈতৈনি।

মায়থিরবা য়াইস্কুল কেন্দ্রাগী শান্নরোইশিং অদুদি– এল ব্রজামনি শর্ম্মা, পি ঐচ জয় শর্ম্মা, জি পূণচন্দ্রা শর্ম্মা, আর কে সনাজাউবা সিংহ, টি ঐচ প্রিয়োকুমার সিংহ, ৱাই সমানন্দা সিংহ, আর কে তাটু সিংহ, এল ওমনাট শর্ম্মা, এম নবাকুমার শর্ম্মা অমদি টি ঐচ লূখোই সিংহনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২ দা থোংজু কেন্দ্র অমদি থাংমৈবন্দ (বি) কেন্দ্রাগা শান্নগনি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা থা অসিগী ৩ দা খূন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমদি য়াইস্কুল কেন্দ্রাগা শান্নগনি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওইনাম কেন্দ্র অমদি শগোলবন্দ কেন্দ্রননা থা অসিগী ৪ দা অদুগা ৪ শুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা হৈঙাং অমদি কৈশামথোং কেন্দ্রগা শান্নগনি।

# সাইনিং ষ্টার ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

পরাওলোন য়ুঠ ক্লব চান্দেলনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৭ তগী নুপাগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ অমদি নুপীগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা পরাওলোন রালরিক্ষু প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সাইনিং ষ্টার চুড়চান্দপুরনা পি আর ৱাই সি চান্দেলবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা সাইনিং ষ্টার চুড়চান্দপুরনা পি আর ৱাই সি চান্দেলবু পোইন্ট ২৫–২৭, ২৬–২৪, ২৫–২১, ২৭–২৫ স্কোর তৌদুনা মায় পাকখিবনি।

নুপী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা দি এম এম টি চান্দেলনা লাখনি–১৬ চান্দেলবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা দি এম এম টি চান্দেলনা পোইন্ট ২৫–৮, ২৫–২২, ২৫–২৭, ২৫–২২ স্কোর তৌদুনা মায় পাকখিবনি।

চথরিবা অহানবা হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হয়েং নুপীগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই এস সি টি চান্দেল অমদি সি দব্লিউ ভি টি চান্দেলগা শান্নগনি।

নুপাগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা কে এস ৱাই সি তামেংলোং অমদি য়ু কে এস সি চুড়চান্দপুরগা শান্নগনি।

# সেভিল্লা এফ সিনা শীন্দুনা পূনেগী লালিগা স্কুলদা ইন্টর সেন্টর টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

পুনে, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ

লালিগা ফুটবোল স্কুল পুনে অমদি মখোয়গী পার্টন্নর টিম ওইরিবা সেভিল্লা এফ সিগা পূন্না খূৎশরুদুনা সেন্টর অসিদা ইন্ট্রা সেন্টর টুর্নামেন্ট অমা হৌখিবা জুলাই ২৭ অমদি ২৮ তা পূন্না শান্নরোই ১২০না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে।



পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা চহী ৮ মখা, ১২ মখা অমদি ১৬ মখা হায়না কাঙলূপ ৩ থোক্লা খায়দোক্তুনা অথোয় অহেন তান্নখি।

শান্নগদবা টিমশিংগী শান্নরোইশিং অদু লালিগাং স্কুলগী কোচশিংনা খনখি। টিম অমনা ফুটবোল স্কুল অসিগী জর্সি লিৎল্লগা অতোপ্পা টিম অমনা সেভিল্লা এফ সিগী জর্সি লিৎত্তুনা শান্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংদা সেভিল্লা এফ সিগী মায়কৈদগী ক্লব মেম্বর কাদ অমদি সার্টিফিকেটশিং খূদোল পীখি।

লালিগা স্কুলশিংগী প্রোগাম অসিনা মায় পাক্লা ২০০৮ তগী হৌদোকখিবদগী লালিগাগী মমিং লৈরবা ক্লবশিংনা খূৎশম্নদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান – তোঙানবা মফমশিংদা ফুটবোল সেন্টর কয়া লীঙখৎতুনা গ্রাস রুট লেভেলদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা ফুটবোল মশান্না অসিবু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা চাওখৎনবা হোৎন্নরি।

লালিগা স্কুল অসিনা স্কোল্লরসিপ কয়াসু পীদুনা ফজনা শান্নবা অঙাং শিংবু স্পেনদা থাদুনা মমিং লৈরবা ক্লবশিংদা ট্রেন্নিং তৌবগী খুদোং চাবসু পীরি। হৌজিক ফাওবদা স্কুল অসিনা লৈবাক অসিগী সিটি ১৪ দা তোঙান– তোঙানবা সেন্টর ৩০ গী মথক্তা হাঙদুনা পূন্না শান্নরোই লিশিং ১০ হেনবদা কন্নবা কয়া পীখ্রে।

লালিগা ইন্দিয়াগী মেনেজিং ডাইরেক্টর জোর্স এন্তোনিয়ো কাচাচানা ফোঙদোরকপদা, হৌখিবা থা খরা অসিদা স্কুল অসিনা কন্না হোৎন্দুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পামজবা নহাশিংদা ইনোৎ অমদি হাপ্পা ঙমলে।

হন্দক সেভিল্লা এফ সিগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিনা শান্নরোইশিংদা এক্সপিরিয়েন্স পীবদা নত্তনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোইশিংসিদা পূক্লিং থৌগৎত্তুনা মালেমগী থাক্তা শক্লাইরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমা পুথোকপদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

লালিগা ফুটবোল স্কুলগী রিজিনেল টেক্লিকেল হেদ ( ৱেষ্ট) সাউল ভাস্কুয়েসনা হায়, হৌজিক ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিং অসি য়াম্না ফগৎলে হায়না থাগৎখি। টুর্নামেন্ট অসিনা শান্নরোইশিংদা মপাঙ্গল মরৌশিং পূথোকপগী তাঞ্জা অমা পীরি।

সেভিলা এফ সিগা খূৎশম্নদুনা পায়খৎলিবা প্রোগ্রাম অসিগুম লৈবাক অসিগী তোঙান– তোঙানবা মফমশিংদা লালিগাগী মমিং লৈরবা ক্লবশিংগা খূৎশম্নদুনা শান্নরোইশিংগীদমক প্রোগ্রাম কয়াসু পূথোকখিগনি হায়না মখা তানা হায়খি।

# ইষ্ট জোন জুনিয়র এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী জুনিয়র এঠলেটশিংগী মিং লাওথোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

এঠলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চহী অসিজগী সেপ্টেম্বর ১২ দগী ১৩ ফাওবা রাঞ্চিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩১ শুবা ইষ্ট জোন জুনিয়র এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপতা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুন্নবা নুপামচা অমদি নুপপীমচা জুনিয়র এঠলেট ৬৫ শিংগী মিং এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা লাওথোক্লে।

খনগখ্রবা এঠলেটশিং অদুদিঃ– চহী ১৪ মখা নুপামচাগীদা– পি দব্লিউ সিগী এম বিকাস, কে এম এস এগী ঐচ হিল্টর, ঐচ এ য়ুগী এন মালেমঙানবা, দব্লিউ এস সিগী এম জকারিয়া, কে এন এস এগী ৱাই তেজকর অমদি পি রোহিৎনি।

চহী ১৬ মখা নুপামচাগীদা– কে এন এস এগী ও বিপিল, ও রোমেস, এম দি অমির খান, এম নেলসন, এম বিশ্বোরজিৎ, এম দি জামিরদুর, এম দি রোকিপ, সাইগী এম দি ইটরিস, আর কে দয়ানন্দা অমদি পি দব্লিউ সিগী ও সনাজাউবনি।

চহী ১৮ মখা নুপামচাগীদা– কে এন এস এগী ও প্রেমজিৎ, এন দিধু বুসান, এম এম সিগী এন ৱিলিয়ম, এস সুদেস, ঐচ এ য়ুগী কে ঐচ মঙাল, এ রামনন্দা, ঐচ ৱাই সিগী এল ইঙো, বি ব্রিজেস কুমার, এম এস সিগী কে ঐচ পাইলোট, নিসাগী ৱাই রিজখান, পি আর এস সিগী এম ইংলেন্দ অমদি এল এস এগী হিফজুর রহামননি।

চহী ২০ মখা নুপামচাগীদা– পি আর এস সিগী টিবা রোর্বাট, সি ঐচ চিঙ্খৈ, নিমাইচান্দ, ঐচ ৱাই সিগী এল বিক্রম, এস রামেসচন্দ্র, জামির খান, এম মিলন কুমার, এস এস য়ুগী কে ধনঞ্জয়, কে অরুন কুমার, কে এন এস এগী ঐচ অরুনকুমার, কে এস ঐচ হেরোজিৎ, এম এম সিগী দব্লিউ এলেক্স অমদি এস আর ও ৱাইগী টি ঐচ রঞ্জননি।

চহী ১৪ মখা নুপীমচাগীদা– সাইগী এস ঙাম্থোই, এম নিজিলতা, এম এম সিগী এন জি রিজিয়া অমদি কে এন এস এগী এল এরিনানি।

চহী ১৬ মখা নুপীমচাগীদা– সাইগী এল কৃষ্ণাকুমারি, দব্লিউ জাৱনিতা, ঐচ ভুমেশ্বরি, ঐচ এ য়ুগী এস ঐচ মেমচু, এল অশোক্কুমারি, পি আর এস সিগী এস রোশনি অমদি ঐচ ৱাই সিগী ৱাই অশঙবীনি।

চহী ১৮ মখা নুপীমচাগীদা– এল এস এগী মিষ্ট অজিমা, মিষ্ট অনিতা, কে এন এস এগী টি ঐচ বাবিনা, ঐচ এ য়ুগী কে ঐচ অঞ্জনা, পি আর এস ইগী এস বিজিয়া অমদি এম এস সিগী এ রানিসানি।

চহী ২০ মখা নুপীমচাগীদা – এমেস্কোগী ও বোমবোইশোরি, ঐচ ৱাই সিগী এ সাই চনু অমদি এন চাউবনি।

ষ্টেটকী টিম অসি এস রামেসশ্বরনা মেনেজর, ও পারি মৈতৈনা নুপামচাগী কোচ অমদি আই রোমানা নুপীমচাগী কোচ ওইনা লুচিঙগনি।

খনগখ্রবা এঠলেটশিং অসি থা অসিগী ৫ ফাওবগী মনুংদা মশা–মশাগী এজ প্রুপ সার্টিপিকেট অমদি অধার কাদকা লোয়ননা ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা লৈবা এটলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী ওফিসতা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরী ইতো তোঙব্রমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহনলক্লি।

# অহুমশুবা প্রসিদেন্ট কপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী ২৫ ফাওবা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা অহুমশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর ১৪ বোইজ অমদি অন্দর ১৭ ৱুমেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি।

মরম অদুনা মণিপুর হোক্কিদা এফিলেট তৌবা ক্লবশিংনা কনভেন্নর রঞ্জিৎ মৈতৈ অমদি টেক্লিকেল ডাইরেক্টর সি ঐচ বালা সিংহদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অকুপ্পা মরোল খঙল্লবা য়াগনি হায়না খঙহনলক্লি।

# ৱাই এল কে তেজপুরনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা বি বি এ মায়াং ইম্ফালনা শীন্দুনা নুপাগী টিম ৪ অমদি নুপীগী টিম ৩ না শরুক য়াদুনা চথরকপা ৪৩ শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস ষ্টেট হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপামচাগী ৱিন্নর ৱাই এল কে চীঙারেন তেজপুরনা বি বি এ মায়াং ইম্ফালবু গোল ২৮–২১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে অদুগা নুপীগীনা সিটিজেননা ৱাই এল কেবু গোল ২১–১১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

OFFER OFFER

EYE CHECKUP + HIGH QUALITY EYEGLASSES + HIGH QUALITY FRAME. VisionworKs, which is located opposite to Babina Diagnostics, RIMS Road is giving an exclusive offer. Eye check up by an experienced and certified Optometrist, new high quality frame manufactured by a certified company along with warranty and high quality single vision or bifocal lenses prescribed by our Optometrist or any other Ophthalmologist. All these above at just the cost of ₹1000/- only. All these products have been obtained by us by sidelining the distributor, wholeseller, retailer and directly from the company for the benefit of the people of Manipur. Kindly avail this opportunity at the earliest.

VisionworKs

RIMS Road Opposite Babina Diagnostic
Imphal West District, Lamphel – 795004
Cells: +91-801-4729659/986-2101656/985-6999784

SL/B(K)/20...15D.Alt

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com